চাইনিজ অমদি কোরিয়ানশিংনা ঙম্লগা ঐখোয়দি করিগী ঙম্লোই – মিরাবাই চনু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৮ ঃ গুজরাৎতা পাংথোকখিবা চহি অসিগী নেস্নেল গেমসতা মিরাবাই চনুগী মখুৎ খুজেংদা শোকখিবনা মরম ওইরগা য়োৎ থাঙ্গৎনবগী বারবেল কন্না পায়শিনবা ফাওবা ঙমদনা লৈরিঙৈ থা ২ গী মনুংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অমুক য়ৌরকখি। মসিনা মরম ওইরগা তোকিও ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদালিষ্ট মিরাবাই চনুগী ওইনা অতোপ্পা লম্বী অমা লৈতবনা মহাক্কী অনাবা অদু খাংজিল্লগা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াখি। মদুদা অনিরকশুবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ সিলভর মেদল অমা কে জি ৪৯ কাংলুপ্তা সিলভর লৌবা ঙমখি। মসিমক্না মহাক্না অনাবা খাংলগা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াখিবা অদুগী মহৈ ফংলে হায়না লৌবা য়াই। স্নেটচতা কে জি ৮৭ ক্লিন এন্দ জর্কতা কে জি ১১৩ থাঙ্গৎপা অসিনা মিরাবাই পোদিয়মদা চংদুনা পুন্না কে জি ২০০ থাঙ্গৎলগা সিলভ মেদল লৌখি। সিলভর অসিগী মতুংদগীদি মিরাবাইগী কোচ বিজয় শর্ম্মনা মিরাবাই মখা তানা অনাবা ফগৎত্রি ফাওবা য়োৎ থাঙ্গৎপা লেপ্পবা খংহনখ্রে। মরমদি মহাক্কী খুদাংদা হেন্না শোকহনবা পামদবগীনি। পেরিস ওলেম্পিক ২০২৪ গী ক্বালিফিকেসন চহি ১ রোম ৱাংৎলিবা চহি অসিগী ৱেটলিফটিংগী সাইকল আগষ্ট ১ দগী হৌখিবা অসিগী মরক্তা কলম্বীয়াগী বোগোতাদা চৎতুনা মিরাবাইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াখিবনি। অহানবমক্তদা মিরাইবানা স্নেটচতা কে জি ৮৭ থাঙ্গৎনবা হোৎনবদা ঙমখিদে। মতুং অমুক হোৎনবদা মায়পাকখি। মিরাবাইগী মতুং ইন্না খুৎপাই চেৎনা য়োৎ পায়শিন্নবা হোৎনবদা নুংঙাইতবা ফাওরি। মেদালিষ্ট অসিগা ন্যুজ এজেন্সি অমগা উন্নদুনা ৱারি শান্নবদা কম্মন ৱেলথ গেমসতা গোল্ড লৌখ্রবা মতুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা অমুক সিলভর লৌদুনা চহি অসিগী অনিরকশুবা ইন্টরনেস্নেল মেদল লৌরে। মসিদা করি ফাওবগে হায়না হংবদা এথলেট অমগী পুন্সিদি খরা ৱাবা তাবনি। মহাক্না ত্রেনিং চখবা মতমদা করি তৌবা হায়বদু চপ য়ুংনা খল্লগা চখদুনা লাকই। মসিনা মরম ওইরগা মায়পাক্তুনা ময়াম্বুসু নুংঙাইহনবা ঙম্লে। মসি শান্নরোই অমগী পুন্সিনি হায়না খুল্লকখি।

অমরোমদা মহাক্না বোগোতাদা লৌবা সিলভর মেদল অদুদগীদি মহাক্কী খুজেংগী অনাবগী পাউনা হেন্না মরু ওইনা ফোংনরে। মসিগী মরমদি মহাক্না মখুৎকী অনাবা লৈনা লৈনা কম্পিটিসন য়াওবদা মায়পাকপগীনি। মসিদা করি ফাওবগে হংবদা মিরাবাইনা মহাক্কী মখুৎকী অনাবা অসি নেস্নেল গেমস লোইরবা মতুংদা খংবনি। মসি ত্রেনিং কা হেন্না চখবা পোথাবগী মতম ইরৌ লৌদবদগী ওইরকপনি। দোক্তরশিংগী মরোলদদি সাইস হায়না ফোংদোকই। অদুবু মখুৎতা অনাবা ফাওবসি মতম চুপ্পদা নাদুনা লৈবদি নত্তে। এম আর আই লৌবদা মখুৎ শোক্লে হায়বদি খংই অদুবু মরক মরক্তা অমুক নারকপা অমুক নাবা ফবা ওইনা তৌই। মহাক্না য়ু এস তা চৎতুনা ত্রেনিং চখবা মতমদা অনাবা অমুক হৌরকখি।

অসিগুম্বা অনাবা মরক্তগা মতৌ করম্না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ শেম শাবা অমদি মায়পাকপা ঙম্লিবনো হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুম পিরদুনা মিরাবাইগী মায়কৈদগী স্নেটচ অসি খুজেংদা নাবা অসিগদি য়াম্না চুনদে। মরম অসিনা মহাক্না শান্নবা মতমদা খুজেংগী বেন্দ অমা ফারগা শান্নে। মসি মমাংদা অমুক্তগা তৌখিদে। হন্দক্তি তঙাইফদনা উপ্পবা য়াদবা ফিভম ওইখি। মরমদি মসিনা খুৎতা অনাবা ফাওবা হন্থহল্লি। মসি নৎলমদ্রগদি স্নেটচ থাঙ্গৎপা ঙমদবগী মথক্তা অশোকপসু হেনজিল্লম্বা য়াই। মরম অসিনা মশলদা শোক্কদবা অদু খুৎতা রিষ্ট বেন্দ শিজিন্নরগা শান্নবা অসিদগী হেন্না শোকহনগদবা অদু থিংবা ঙমখি। মসিগী মথক্তগা মহাক্কী ফিজোথেরাফিষ্টকী মায়কৈদগীসুস এক্সরসাইজ খরা তাক্লকখি। মদু মহাক্না চাং নাইনা পাংথোক্তুনা কম্পিটিসন য়াওবদা মতেং ওইখি।

অমরোমদা তোকিও ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট চাইনিজ লিফটর অদুদগী মিরাবাইনা কে জি ২ হেন্না থাঙ্গৎতুনা মাংজিল থাবা ঙমখিবা অদুগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পিরদুনা মহাক্না চাইনিজ অদুদগী হেনবা ঙম্মী হায়বসি অচুম্বনি। মহাক্না স্নেটচতা থাঙ্গৎপা ঙম্বা চাং অসি কে জি ৮৮ নি। অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা খরা হেন্না থাঙ্গৎপা ঙমগনি খল্লম্বনি। অদুবু অহানবা এটেম্পতা জর্জশিংনা নো লিফ্ট হায়দুনা অয়াবা পিখিদে। মতুং তাবদা মহাক্না মখুৎতা হেন্না শোকহনবা পামদবনা এটেম্প হেন্না তৌবা লেপখি। মরমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মতুংদা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অমদি এসিয়ান গেমস ঙাইদুনা লৈরি। মরম অসিনা গেমসশিং অসিদা মায় ওনশিনবনা হেন্না মরু ওই খনবদগী মখা তানা এটেম্প তৌখিদে।

মতাং অসিদা মখুৎ শোকপদগী গোল্ড ফংলম্বা য়াবদু নাম্থোকখ্রে হায়না লৌবা য়ারব্রা হংবদা মিরাবাইনা নোক্লদুনা অচুম্বনি হায়খি। মখা তানা মহাক্না চাইনিজ এথলেট মায়থিবা পিবা ঙমখিবা অদুগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পিরদুনা চাইনিজ অমদি কোরিয়ানশিংনা তৌবা ঙম্বদু ঐখোয়দি করিগী ঙম্লোইদৌরিবনো, মহাক্কী ওইনদি চাইনিজ লিফটর ৱেটলিফটিংদা অমুক্তং মায়থিবা পিবা হায়বসি মতম শাংনদগী মঙলান ওইদুনা লাকখি হায়রি।

গভনর্স কপ ষ্টেট লেবেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৮ ঃ মনিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা তাকয়েলগী সাই ইন্দোর হোলদা চখরিবা ১৮ শুবা গভর্নরস কপ ষ্টেট লেবেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২২ ঙসি লোইশিনখ্রে। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা নুপামচাগী কেতেগোরিদা পোইন্ট ২০০, নুপীমচাগীদা পোইন্ট ১৮৯ পুন্না পোইন্ট ৩৮৯ ফংলগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টনা নুপামচাগীদা পোইন্ট ১২, নুপীমচাগীদা ৭১, পুন্না পোইন্ট ৮৩, সেনাপতিনা নুপামচাগীদা পোইন্ট ৬২, নুপীমচাগীদা ২৪ পুন্না পোইন্ট ৮৬ লৌখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা নুপামচাগীদা পোইন্ট ২৪, নুপীমচাগীদা পোইন্ট ১০, পুন্না পোইন্ট ৩৪, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা নুপামচাগীদা পোইন্ট ২৩, নুপীমচাগীদা ৩, পুন্না পোইন্ট ২৬, অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনা নুপামচাগীদা পোইন্ট ১৭, নুপীমচাগীদা পোইন্ট ৬, পুন্না পোইন্ট ২৩ লৌখি। ওভর ওল চেম্পিয়ন নুপামচাগীদা ইম্ফাল ইষ্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসন্না পোইন্ট ২০ ফংলগা লৌখি। নুপীমচাগীসু ইম্ফাল ইষ্টনা পোইন্ট ১৮৯ ফংদুনা লৌবগা লোয়ননা ওভর ওল টিম চেম্পিয়নসু ইম্ফাল ইষ্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসন্না অপুনবা পোইন্ট ৩৮৯ ফংদুনা লৌখ্রে। সেনিয়ার মেন্সকী কাংলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসন্না পোইন্ট ৩৩ ফংদুনা লৌখি। সেনিয়ার ৱুমেন্সকী কাংলুপ্তসু ইম্ফাল ইষ্টনা পোইন্ট ৩৪, জুনিয়ার বোইজদা ইম্ফাল ইষ্টনা পোইন্ট ৩৮, জুনিয়ার গার্লসতা পোইন্ট ৩০, কেদেট বোইজদা পোইন্ট ৩৫, কেদেট গার্লসতা পোইন্ট ৩২, সবজুনিয়ার বোইজদা পোইন্ট ৪৮, সবজুনিয়ার গার্লসতা পোইন্ট ৪৭, মিনি বোইজদা পোইন্ট ৪৬, অমদি মিনি গার্লসতা পোইন্ট ৪৬, লৌদুনা ইম্ফাল ইষ্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসন্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেতেগোরি খুদিংমক্কী চেম্পিয়ন ওইখি।

এল এল সিনা জি ৱাই সি থোইখ্রে

ইম্ফাল, ডিসেম্বর ৮ ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চখরকখিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিয়েল ২৬ শুবা ৱিন্নর কপ ২০২২-২৩ গী ঙসি শান্নখিবা নোক-আউট রাউণ্ডদা লমকা স্পোর্টস ক্লব (এল এস সি)না গামপুম য়ুঠ ক্লব (জি ৱাই সি)বু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সাইকুল গ্রাউণ্ডদা চখখিবা মেটচ অসিদা এস জেমসকুমারনা মেটচ কম্মিশ্নার, অজিৎকুমার কাংজমনা সেন্টর রেফ্রি, অমরজিৎ নিংঙোম্বমনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান, ময়াংলম্বম ইনাওনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু, তখেল্লম্বম প্রেমজিৎনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইখি।

লম্বা চানা থেংনখিবা মেটচ অসিদা এল এস সিগী জর্সি নম্বর ১৪ খুলসালিং ঙাইতেনা অহানবা হাল্ফকী মিনিট ৩৮ চৎপদা ওপনিং গোল অমা চনখি। মসিগী মতুং অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৫৫ চৎপদা টিম অসিমক্কী ফোর্ৱাদ জর্শি নম্বর ১১ খাইমিলুন দোঙ্গেলনা গোল অমগা চনশিন্দুনা লমকা স্পোর্টস ক্লবকী অপুনবা পাঞ্জল ২ য়ৌখি। লম্বা ওইরিবা গামপুম য়ুঠ ক্লবকী ওইনদি অপিবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থিদুনা টুর্নমেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

NATION TAX MARKET

Government of India, Ministry of Finance, Department of Revenue
Office of the Commissioner
CGST Commissionerate, Imphal
Central GST Bhawan
Al-Noor Tower, Kabo Leikai, Nongpok, 2SA, North AOC, Imphal East, Imphal 795001, Manipur
Phone: 0385-2422364/ 2446262 Fax (0385) 2422364 E-mail:
cgstimphal@gmail.com

TENDER NOTICE NO.01/2022-23

Dated, the 8th December, 2022

Tender Notice for hiring of Housekeepers/Skilled/Semi-skilled workers and Security Guards (without arms) for Central GST Commissionerate, Imphal and its subordinate offices in the State of Manipur.

Sealed Tenders are invited from reputed and registered Agencies/Service Providers based in the State of Manipur to provide the services of Housekeeping, Skilled/Semi-skilled workers and Security Guards (without arms) at the office premises of (1) Central GST Commissionerate, North A.O.C Imphal (2) Central GST Division, Krishna Premi Shopping Complex, Wangkhei Kongba Road, Imphal (3) Central GST Range, Churachandpur and Central GST Range Moreh. The detailed Tender Notice alongwith Annexures can be obtained from the Office of the Commissioner, Central GST Bhawan, Kabo Leikai, North A.O.C., Imphal on all working days. The bids should be submitted on or before 15:00 hrs of 19th December, 2022.

Sd/-
(RAJIVKUMAR YENGKHOM)
Deputy Commissioner

I/B/09

DEATH CERTIFICATE LOST

শ্রীঅকোইজম ঁকোমোল সিংহ পীতা (L) একে নরান সিংহ থৌবাল ৱাংমাতাবা সরক মখাদা লৈবিরম্বগী Death certificate, T.M.C. না পীবা অসি মফম খঙদনা মাঙখ্রে। কনাগুম্বনা থেংনবীবা য়াওরবদি মখাদা পীজরিবা মিং, লৈফম অসিদা শিন্নবীয়ু

পাউজেল্লীবা
একে রঘুমনি (মচানুপা)
Thoubal Wangmataba
Sorok Makha

I/788/9

ORIGINAL CERTIFICATE LOST

I have lost my original Certificate of 1st semister to 5th semister marksheet (2011, 2012, 2013) bearing Roll No. 1205885 and B Ed 1st year mark sheet bearing roll no. 160884 (2016) issued by the Manipur University on the way between my residence to Wangkhei on 25th Nov. 2022.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
OKRAM MARINA
Kongba Kshetri Leikai
Near NLML Club
Pnone no. 6009397187

I/787/9

Editor: **Laishram Kumar** Printed & Published by **Ng. Devendro Meetei** on behalf of himself at **Lamyanba Printers**, Konung Lampak, Imphal - 795001 (RNI No. MAN MAN 2004/14847) Phone : **2461901**, **9436296510** e-mail: ***ireibak@yahoo.com*** Fax - **2461901**